### ৩৮ শুবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

# লিন্থোইঙানবী-এ, এম পি এস সী-এ প্রি ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ৩৮ শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা লিন্থোইঙানবী কাংজে লূপ-এ অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী)-এ প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মপাল কাংজেবুংদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা লিন্থোইঙানবী কাংজে লূপ-এনা অসাম রাইফলস পোলো টিমবু ৫-২দা মায়থীবা পীখি।

অসাম রাইফলসকী কে ঐচ সুশিলোনা অহানবা চক্কর হৌরকপগী ০.৪০দা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। স্বর্না কাংজমনা শান্নবগী ২.০১দা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। চক্কর লোইরমদাই এল জয়কুমারনা শান্নবগী ৬.০০দা অসাম রাইফলস টিমগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা লিন্থোইঙানবী লূপপু ২-১দা অহানবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা চক্কর হৌরকপদগী লিন্থোইঙানবী লূপকী শান্নরোয়শিংনা খূদুম চন্না শান্নবগা লোয়নননা কেপ্টেন দোল্লর সোরামনা শান্নবা হৌরকপগী ০.৩০দা ইক্বেলাইজ গোল চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা উমেশনা শান্নবগী ১.৩৫দা গোল ১গা হাপচিন্দুনা অসাম রাইফলস টিমবু ৩-২দা মাংজিল থাখি।

লিন্থোইঙানবী লূপকী এল রোহিটনা অহুমশুবা চক্করগী ৬.০১দা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। কেপ্টেন দোল্লর সোরামনা অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ৪.০১দা গোল ১গা হাপচিন্দুনা অসাম রাইফলস টিমবু ৫-২দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা টি ঐচ মোমোচা অমদি টি ঐচ কাওবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা এম পি এস সী-এনা খুমন পোলো ক্লবপু ৬-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টি ঐচ রঞ্জিৎনা অহানবা চক্কর হৌরকপগী ০.৫৯দা পুলিস টিমগী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ৪.০১দা মায় পাকপগী ৬শুবা গোল চনখি। কে ঐচ দিনেশনা অহানবা চক্করগী ১.৪২দা পুলিস টিমগী অনীশুবা গোল চনখি অদুগা চক্কর অসিমক্কী ৩শুবা মিটতা ৱাই বিনোইনা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা চক্করগী ২.২৩দা পুলিস টিমগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনখি। এম বিবেকানন্দনা চক্কর অসিগী শান্নবগী ৬.১০দা পুলিস টিমগী ৫শুবা গোল চনখিবনি।

খুমন পোলো ক্লবগী গোল অনী অদুনা রবিকান্তনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ২.১০ অমদি কেপ্টেন এল রোশননা অহুমশুবা চক্করগী ৬.০১দা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি।

## হিরো আই লীগ : নেরোকানা ট্রাও ইম্ফাল দর্বি মেটচতা থোইখ্রে




ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি নুমিদাংৱাইরম খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইম্ফাল দর্বি মেটচতা হোম টিম ওইরিবা নেরোকা এফ সীনা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ট্রাও) এফ সীবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

নেরোকানা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ১২ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা ৭ মায়থীরগা পোইন্ট ১১ ফংদুনা টেবলগী ১০শুবা মফমদা লৈরি। ট্রাও এফ সীনা মেটচ ১২ শান্নখিবদা ৬ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা অমদি ৫ মায়থীরগা পোইন্ট ১৯ ফংলগা টেবলগী ৩শুবদা লৈরি।

শ্রিনিধি দেকানননা মেটচ ১২দা পোইন্ট ২৫ ফংদুনা অহানবা অদুগা রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাব এফ সীনা মেটচ ১১দা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকা অমদি ট্রাও অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ট্রাওগী কোমরোন টুর্সুনোভনা শান্নবা হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদা গোল চনবা য়াবা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখি। নেরোকাগী জে র্দেন রোনাল্ডো ফ্লেটচরনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই ট্রাওগী কাউন্টর এটেক অমদা নেরোকাগী কেপ্টেন দেভিদ শিম্বোনা বোল লৌনবা হোৎনবদা ১৮ য়ার্দ বোক্স মনুংদা ফাউল অমা তৌরুবদগী রেফরি সুরোজিৎ দাসনা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবগা লোয়নননা নেরোকাগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি।

ফর্নান্দো জোজ গোমেজনা কাওখিবা স্পোটকিক্ অদু নেরোকাগী গোলকিপর পোইরৈ অঙানবনা নীংথিনা সেভ তৌদুনা অরেম্বা তাহনখিবগা লোয়নননা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা টিম অনীনা গোল চন্নদনা লাকখিবা অদু মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা জোর্দেন রোনাল্ডোনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা মাইকেল পোর্বিনা ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৬শুবা মিনটতা নেরোকাগী গোল অমগা হাপচিন্দুনা ট্রাওবু ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা রেফরি সুরোজিৎ দাসনা নেরোকাগী লিকমাবম রাকেশ অমদি নোঙানবা অকোইজম শান্নবগী ১৫ অমদি ৬৯ অদুগা ট্রাওগী নরেশ য়েন্দ্রেম্বম অমদি কোমরোন টুর্সুনোভ শান্নবগী ৬৯ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখিবনি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

## ৱাই এ সী য়াইস্কুল, ওস্কার পাওনা বজার মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওবু রন ৭৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়াইস্কুল টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২০৮ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা কে আই ৱাই সীনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ২৭তা ওল আউট ওইদুনা রন ১৩৭ লৌদুনা ৱাই এ সীগী মখূৎতা রন ৭৩দা মায়থীখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোলিং তৌখিবা ৱাই এ সীগী বোলর কে ঐচ কৃষ্ণনন্দনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ওস্কার পাওনা বজারনা ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎসোইবু রন ৪০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ওস্কার টিমনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৭.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৫৯ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎসোইনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ৩২.৫দা ওল আউট ওইদুনা রন ১১৯ লৌদুনা ওস্কারগী মখূৎতা রন ৪০দা মায়থীখি।

মেটচ অসিদা ওস্কারগী ওল রাউন্দর বুক্কর কাংজমনা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৩ অদুগা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৩৮দা রন ২৮ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি।

## পুপু কপ : লম্লাই ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): পেরদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবমনা শীন্দুনা পুংদোংবম গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা পুপু কপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা লম্লাই এফ সীনা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌবু টাই ব্রেকতা ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা ২-২দা দ্রো ওইখি। লম্লাইগী গোল অনী অদুনা এম বিজ্তান্দা অমদি সনাথোইনা শান্নবগী ১৪ অমদি ৪৫দা চনখি। চালৌগী গোল অনী অদুনা লিও অমদি শান্তনা শান্নবগী ১৪ অমদি ৫১দা চনখি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা চালৌ টিমগী মায়কৈদগী গৌতম অমদি অবোইসনানা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা লম্লাইগী মায়কৈদগী জিতেন, অবোচা, ভুমেশ্বর অমদি ওকেননা গোল ওন্থোক্তুনা ২-২ (৪-২)দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা ৱাই দি সী এল-এ পুংদোংবম অমদি ঈ য়ু এস সী তেলৌ অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

### ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল

## পেলে, অরুনদত্তগী গোলনা ৱাই য়ু সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): এস ঐচ পেলে অমদি এল অরুনদত্তনা চনখিবা গোল ২/২ অদুগা সৈত্যমনা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা ৱাই য়ু সী মৈজ্রাওনা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ (এম আই য়ু)বু ৫-২দা চথরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি হাওরৈবী কাংজেবুংদা শান্নখিবা গ্রুপ আইগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব অমদি হাওরৈবী অপূনবা এফ সী অনীনা খূৎশম্নদুনা শীন্দুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৩০না গ্রুপ ১০ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

ৱাইয়ুসীগী ঙসিগী মায়পাকপা অসি থারগা মেটচ ২ শান্নবদা ১ মায় পাক্লগা ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা গ্রুপকী টেবলগী অনীশুবদা লৈরি।

এস ঐচ পেলেনা শান্নবা হৌরকপগী ১৩শুবা মিনটতা মৈজ্রাও টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি মায় পাকপগী ৫শুবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা চনখি। অরুনদত্তগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ময়াং ইম্ফাল টিমগী গোল অনী অদুনা হানিফ অমদি গুনাজিৎনা শান্নবগী ১৭ অমদি ৩৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি। মেটচ অসিদা রেফরিনা ৱাই য়ু সীগী টি ঐচ রোনাল্ডোবু শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নগদবা গ্রুপ জেগী মেটচ অমদা তনু এফ সী হৈরোক মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবদগী সমুরৌ য়ুনাইটেদ ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখ্রে।

## সুপর সোক্কর টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): কামক্ষ্য সোসল য়ুঠ ক্লব হিয়াংথাং মমাং লৈকাইনা শীন্দুনা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল সোইবম তোম্বা মেমোরিএল ৫-এসাইদ মেন ওপন সুপর সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২৩ হিয়াংথাংগী কে এস ৱাই সী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ৫০ অদুগা রন্নর্স অপতা লুপা লিশিং ৩০ পীগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না ফেব্রুৱারী ১ ফাওবা ওইগনি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৮৯৭৪৫৭৭৭৭৩, ৯৮৫৬৮৫৯৫৩০, ৮৭৮৭৪০১৩৯১ অমদি ৭০০৫৭০৫৩৫২দগী পাউ ফাওদুনা খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

## লিৱা চাংনিং ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): সির্তি ওলিম্পিক্স এসোসিএসন (এস ও এ)না শীন্দুনা লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ভেটেরানগী অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লিৱা চাংনিংনা চাংনেবু টাই ব্রেকতা ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা ১-১দা দ্রো ওইখি। কে ঐচ এংগ্রিপানা লিৱা চাংনিংগী গোল চনখি অদুগা মোরিননা চাংনেগী গোল চনখিবনি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা লিৱা চাংনিংগী মায়কৈদগী ফমসির, এংগ্রিপা অমদি দেভিদনা গোল ওন্থোক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ওপন কেটেগোরিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লিৱা সরৈনা লিৱা চাংনিং-এবু টাই ব্রেকতা ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে। টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

## ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা খুগা বট্টালিয়ননা শীন্দুনা চুড়াচান্দপুরগী সিংহাট ভিলেজদা লমদম অদোমগী নহাশিং অমদি অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অমা ঙসি শান্নখ্রে।

মেটচকী মাংওইননা লমদম অদোমগী নহাশিংগা ৱারী-ৱাতায় শাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা লমদম অদোমগী নহা ১৭না শরুক য়াখি।

## প্রধান ট্রোফি : মরুপ এফ সী ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা হয়েল গ্রাউন্দদা চথরিবা প্রধান ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মরুপ এফ সীনা লমদিং এফ সীবু ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মরুপ এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু প্রেমজিৎনা শান্নবগী ৪৯ অমদি ৫৯দা গোল ২ অদুগা কবিরাজ, অরুন অমদি রোশননা শান্নবগী ৪৮, ৫৪ অমদি ৫৫দা গোল অমমম্ চনখি।

মেটচ অসিদা রেফরি হরিমোহোননা মরুপ এফ সীগী ননাও অমদি লমদিংগী বেঞ্জামিন অনীবু শান্নবগী ১৬ অমদি ৪৭তা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নগদবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা রেস্বন্ত এফ সী মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবদগী আই ঈ এস এ পোরোম্পাৎ ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

## চকপীকারোং য়ুঠ ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): চকপীকারোং গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪২শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা চকপীকারোং য়ুঠ ক্লবনা জাফৌ য়ুঠ ক্লবপু ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

চকপীকারোংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ফোলসননা ২ অদুগা কার্গিলসন, থুমথা অমদি ফারিননা অমমম্ চনখি। জাফৌগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মার্কোনিনা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা খুবুং খুনৌ নোবোকোম এফ সীনা চারোংচিং য়ুঠ ক্লবপু ৩-১ অদুগা লাম্বুং য়ুঠ কলচরেল ক্লবনা নুংপান-এবু টাই ব্রেকতা ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

## জাংনোই য়ুঠ দে সেলেব্রেসন পাঙথোকখ্রে

কাংপোকপী,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকা থংননা লৈরিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লুংথিন সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা জাংনোই ভিলেজদা জাংনোই য়ুঠ ক্লব কম কলচরেল ট্রুপ (জে ৱাই সী সী সী টি)না শীন্দুনা স্পোর্টস এদ্যুকেসন হায়বা থিমদা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চথরকপা ৫৫শুবা য়ুঠ দে সেলেব্রেসন ঙসি লোইশিনখ্রে।

সেলেব্রেসনগী মনুং চন্না নুমিদাংগী মতমদা ফ্লদ লাইট থান্দুনা ভোলিবোল কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি।

থৌরমগী মনুং চন্না তোঙান-তোঙানবা এন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রাম-সিঙ্গিং কম্পিটিসন, ফেন্সি দ্রেসনচিংবসু পাঙথোকখি।

## ৱাংজিং য়ুনাইটেদনা তেকচম থোইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): ইরেংবন্দ হায় স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাংজিং য়ুনাইটেদনা তেকচম এফ সীবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাংজিং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বোবিজ অমদি জয়চন্দ্রনা ২/২ অদুগা তোম্বা অমদি বোরিশনা শান্নবগী ৩০ অমদি ৪২ শুবা মিনটতা অমমম্ চনবা ঙমখি। জয়চন্দ্রগী গোল অনী অদুনা শান্নবগী ১১ অমদি ২৫ শুবা মিনটতা চনখি অদুগা বোবিজকী গোলশিং অদুনা শান্নবগী ৩৩ অমদি ৪১দা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি রোশনী চনুনা মায় পাকখিবা ৱাংজিং টিমগী ধনচন্দ্রবু শান্নবগী ৪৮দা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নগদবা মেটচ অমদা এস এ এল এফ সী সোরা মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবদগী ৱাক ওভর ফংদুনা এফ সী তেন্থা মায় পাকখ্রে।


## ষ্টেটকী নুপী ফুটবোলর ১৫ ট্রেনিংগী কৌরক্লে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): চহী অসিগী এপ্রিল ৩দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্স টুর্নামেন্ট ২০২৪ (ক্বালিফায়র)গী ইন্দিয়ন সিনিয়র ৱিমেন্স ট্রেনিং কেম্পতা শরুক য়ানবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ষ্টেটকী নুপী ফুটবোলর ১৫ কৌরক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ট্রেনিং কেম্প অসি থা অসিগী ২০দগী হৌদুনা চেন্নাইগী শিব নগর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্লগনি। শান্নরোয়শিংগী লৈফম চাফমনা হোটেল আই বি আই এস সিপকোটতা ওইগনি হায়রি।

খনগৎলবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অদুদি মাইবম লিন্থোইঙানবী, ঙাংবম স্বিতি, সোরোখাইবম রঞ্জনা চনু, ক্রিটিনা থৌনাওজম, প্রিয়ানকা, দাংমৈ গ্রেস, অসেম রোজা, নোংমাইথেম রতনবালা, ঙাঙোম বালা, কশ্মীনা, এলাংবম পান্থোই চনু, সিল্কি হেমাম, মার্টিনা লিসম, ববিনা লিসম অমদি লিন্দা কোম সর্টোনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 691**

**Bengt Erik Hammar - Sverre Johannes Aarseth**
**CCOL8 final-02 corr ICCF, 1977**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 |
| 5.Nc3 a6 | 6.Be2 e5 | 7.Nb3 Be7 | 8.O-O O-O |
| 9.a4 Be6 | 10.f4 Qc7 | 11.Kh1 Nbd7 | 12.Be3 exf4 |
| 13.Rxf4 Ne5 | 14.a5 Rac8 | 15.Nd4 Nfd7 | 16.Rf2 Rfe8 |
| 17.Nf5 Bf8 | 18.Bd4 Nc6 | 19.Be3 Nxa5 | 20.Nd5 Bxd5 |
| 21.Qxd5 Re5 | 22.Nh6+ gxh6 | 23.Qxf7+ Kh8 | 24.Bg4 Be7 |
| 25.Be6 Rxe6 | 26.Qxe6 Nc6 | 27.Rf7 Nde5 | 28.Raf1 Nxf7 |
| 29.Rxf7 Rf8 | 30.Bxh6 Rg8 | 31.Qh3 Qd8 | 32. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 690 Ans. :**

27. Rxd5+ The white rook deflects Black's pawn away from protecting the square f5. Opening the line from f5 to d7. Opening the line from e1 to e8. exd5 28. Bf5+ Ke8 29. Re1+ Be2 30. Rxe2# Pillsbury's mate
1-0


**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VII, DSLR, MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 48/AS&SO-VII Dt. 18-01-2023**

1. Athokpam Bishanta Singh S/o (L) Rajendra Singh of Athokpam Mayai Leikai - Applicant

-Vs-

(L) Athokpam Rajendra Singh S/o (L) Samu Singh of Athokpam Mayai Leikai. - Opp.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated : 18-01-2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩২-অথোকপম, পাট্টা নম্বর ২৩০ (অরিবা) ১১৩১/১৯৩৯ (অনৌবা) দাগ নং ১৩০১/১৪১৮ এরিয়া .২২৬১ হেক্তর ফৌরেল (২) ৮৭৯ (অরিবা) ১০৬০/২৬২৮ (অনৌবা) দাগ নং ২২২৪/৩১১৬ এরিয়া .২৯১৪ হেক্তর ফৌরেল (৩) ১২১ (অরিবা) ৮৬/১২৮৮ (অনৌবা) দাগ নং ২০০১/২৬৩৪ এরিয়া .২৫০০ হেক্তর ফৌরেল (৪) ৯২৫ (অরিবা) ১২৩/২২৭ দাগ নং ২৩৬৯/৪০৬৫ এরিয়া .০৪২৪ হেক্তর ইংখোল চাওবা লম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer-VII,
DSLR, Manipur

HL-P/5759/19



**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VII, DSLR, MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 49/AS&SO-VII Dt. 18-01-2023**

1. Athokpam Sanatombi Devi W/o (L) A. Rajendra Singh of Athokpam Mayai Leikai - Applicant

-Vs-

(L) Akoijam Asokumar Singh S/o (L) Angou Singh of Athokpam Makha Leikai. - Opp.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated : 18-01-2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩২-অথোকপম, পাট্টা নম্বর ২৩০ (অরিবা) ১/১১৩১ (অনৌবা) দাগ নং ১৩০১ এরিয়া .০৯০০ হেক্তর ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি অথোকপম স্নাতোম্বী দেবীদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer-VII,
DSLR, Manipur

HL-P/5759/19



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref. Mutation Case No. 12 of 2023**

Leimapokpam Kokindro Singh S/o Tomba Singh of Maibam Leikai Imphal West.

-Vs-

(Late) Lamabam (N) Leimapokpam (O) Ibeton Devi W/o Tomba Singh of Chinga Makha Maibam Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated, 18/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 91- Sugnu পাট্টা নং 101/877 দাগ নং. 2544 এরিয়া 2.04 একর চাওবা ফৌরেল লৌফম ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টাকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/5671/19



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI, MANIPUR**

**Ref. Mutation Case No. 60/SDC/Kumbi/2023**

Petitioners : Thangeikhup Karong S/o Ronghmang Karong of Makokching P.O./P.S. Saikul Bazar (area 1.25 acres)

-Vs-

Pattadar : L (L) Rengneithang Kom S/o Sulmthang Kom of Samulamlan, District Churachandpur.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kumbi, 16/1/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬০-সাগাংদা লৈবা পাট্টা নং ৪৫৩ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ৫২৩৬ এরিয়া ১.২৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Kumbi

HL-P/5749/19


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com